# অহানবা সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭
## এফ সি ইম্ফাল ক্বাকৈথেলনা লগসা সুগনু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*ইম্ফাল, মে ০৩ঃ*
ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ভেটেরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ভেটেরান ফুটবোল তিম ২০না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ২৩দগী চথরকখিবা অহানবা আর কে এফ দি এস সঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭গী পাটসোইদা লৈবা পাময়ালগী ফুটবোল গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচতা এফ সি ইম্ফাল ক্বাকৈথেলনা লগসা সুগনুবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু নাকল অনীমক্লা লম্বা চান্ননা থেংনরবসু তুংদা এফ সি ইম্ফাল ক্বাকৈথেলনা লাকশিল্লক্তুনা গোল ৩–০ দা লাগসাবু মায়থিবা পীখিবনি।

এফ সি ক্বাকৈথেলগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনট ২৭ তা জর্সি নম্বর ১৬ এ দিলিপ্না অহানবা গোল চনখি। অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমদা জর্সি নম্বর ৩ এম শ্যামসুন্দরনা অনীশুবা গোল চনখি। অদুগা মেটচকী মিনট ৫৪ দা জর্সি নম্বর ১৭ সি ঐচ ওজিৎনা অহুমশুবা গোল চনখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ৫৭ চৎপা মতমদা লাগসা সুগনুগী জর্সি নম্বর ১৩, হংলিয়ানথাংনা নিয়ম কায়না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) কপ ২০১৭
## এম পি এস এ –বি অমদি পি জে এ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল,মে ০৩ঃ*
পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু)না শিন্দুনা তিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা পুঙদোংবমদা লৈবা লম্লাই হায়স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু) কপ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অন্দর সেভেন্তিন, নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা এম পি এস এ–বি পুংদোংবম্না ৱাই দি সি এল পুংদোংবমবু গোল ৩–১ দা অমদি পি জে এ পুংদোংবম্না এম পি এস এ–এ বু গোল ৬–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।



ঙসি অহানবা শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এম পি এস এ–বি পুংদোংবমগা ৱাই দি সি এল পুংদোংবমগা লম্বা তৌনবদা এম পি এস এ–বি না গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অদুদা এম পি এস এ–বি গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ২৯দা কে ঐচ তোম্বনা অহানবা গোল, মিনট ৩৮ দা বিনোটখান্না অনীশুবা গোল অমদি মিনট ৫৫ দা নাওচানা অহুমশুবা গোল চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা ৱাই দি সি এল পুংদোংবম অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী মিনট ১০ দা রিসন্না চনখিবনি।

অনীশুবা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পি জে এ পুংদোংবমগা এম পি এস এ–এ গা লম্বা তৌনবদা পি জে এ পুংদোংবম্না গোল ৬–৪ দা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অদুগী অপীবা মতমদা নাকল অনীমক্লা গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং মায় পাকপা টিম অমা খন্নবগীদমক তাই ব্রেক কাউনখি। মদুদা পি জে এ পুংদোংবমগী দব্লিউ হেমসন্না অহানবা গোল, দব্লিউ অথোইবনা অনীশুবা, আই ঙান্বনা অহুমশুবা, এ রোজরনা মরিশুবা গোল চনখি।

মায়থিহৌরবা এম পি এস এ পুংদোংবমগী গোল অদুনা তাই ব্রেক কাউনবদা এস কৃষ্ণাকান্তনা অহানবা অমদি এস নাওচানা অনীশুবা গোল চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং মংঙাল এফ এ খাবমগা বি এস সি ইনিদয়ান আর্মি খাবমগা গ্রাউন্দ অসিমক্তদা সেমি ফাইনেল মেটচতা লম্বা তৌনরগনি।




# ১২শুবা তেলৌ সোসাইটি ত্রোফি

*ইম্ফাল,মে ০৩ঃ*
তেলৌ জোইন্ট কো–ওপরেটিব ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদনা শীন্দুনা টিম ২০ না গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা তেলৌ সোসাইটি ত্রোফি ৭–এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব, তেলৌ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অনীদা বোলেরো সেক্তানা পি এস য়ু নোংপোক ককচিংবু গোল ৫–২ দা অমদি ৱাই ৱাই সি য়ৌরবুংনা এস টি টি সেক্তা বিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং এফ সি তেলৌ বিগা ৱাই দি সি থম্না পোকপীগা অমদি এফ সি য়ুন্নাম খুনৌগা এন সি সি কে এ নোংগ্রেনগা লম্বা তৌনরগনি হায়রি।




# ১৯শুবা চেলেঞ্জ কপ ২০১৭
## সদর হিলস অমদি ইমি এফ সি মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল,মে ৩ঃ*
মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন ইম্ফালনা শীন্দুনা টিম ৯ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২০ দা ৱাঙ্খেইগী ই এস য়ু গ্রাউন্দদা শান্নবা হৌখিবা অদুগা মতম খরা লেপ্পুরবা মতুং ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন গ্রাউন্দ, অকাম্পাৎতা চথরক্লিবা ১৯শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অনীদা এস ঐচ দি এস ভি এ সদর হিলসনা দব্লিউ ভি এফ এ শগোলবন্দবু ৪–১ দা অমদি ইমি এফ সি লাঙ্গোলনা য়ু কে এফ সি উরিপোকপু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এস ঐচ দি এস ভি এ সদর হিলসকা দব্লিউ ভি এফ এ শগোলবন্দগা লম্বা থেংনবদা এস ঐচ দি এস ভি এ না গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

নাকল অনীমক্লা অকনবা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা এস ঐচ দি এস ভি এ সদর হিলসকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ১৯ দা ঙম্পাওনা অহানবা গোল চনখি। মেটচকী মিনট ২৬ অমদি ৪৪ দা লমখোলেন্না অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গোল চনখি। মিনট ৪৭ তনা তোংগেন্না মরিশুবা গোল চনখি।

মায়থিহৌরবা দব্লিউ ভি এফ এ শগোলবন্দগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী মিনট ২৫ দা নাওচানা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ৪০ দা দব্লিউ ভি এফ এ গী সি ঐচ নন্দকুমারনা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা শান্নখিবা মেটচতা য়ু কে এফ সি উরিপোক্কা ইমি এফ সি লাঙ্গোলগা লম্বা থেংনবদা ইমি এফ সি লাঙ্গোলনা ৩–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা ইমি এফ সি গী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ১২ দা জামখোটিয়ুলেনন্না অহানবা গোল, মেটচকী মিনট ২২ অমদি ২৩ দা জাংমিনলেন্না অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গোল চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা এফ ভি দব্লিউ এ মপাল কাংজৈবুংগা এফ সি ৱাংখেমগা হয়েং লম্বা থেংনরগনি।

# ঊর্জা ফুটবোল টেলেন্ট হন্ট টুর্নামেন্ট ২০১৭
## ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টিমগা ইম্ফাল ৱেষ্ট ক্লবকা দ্রো চৎখ্রে

*ইম্ফাল, মে ৩ঃ*
আই জি এ আর সাউথকী মীৎয়েং মখাদা নাইন সেক্তর অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ ফাওবা চত্থগদবা ঊর্জা ফুটবোল টেলেন্ট হন্ট টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টিমগা ইম্ফাল ৱেষ্ট ক্লবকা লম্বা তৌনবদা গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টিম অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট লম্বা চানা থেংনখিবা ঙসিগী মেটচ অদুদা নাকল অনীমক্লা গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টিমগী গোল অনী অদু মেটচকী মিনট ৪২ অমদি এদিসনেল টাইমদা জর্সি নম্বর ১১ ফয়াস উদিন্না চনখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট ক্লবকী গোল অনী অদুনা মেটচকী মিনট ১৫ দা জর্সি নম্বর ৬ আর কে রোবিন্না অহানবা গোল অমদি মিনট ৪৮ দা জর্সি নম্বর ১৪ কে ঐচ জোহেন অনীশুবা গোল চনখিবনি।

# সব–জুনিয়র নেসনেল ইক্যুপ এন্দ অন–ইক্যুপ পৱারলিফটিং
## চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা পৱার লিফটরশিং খনখ্রে

*ইম্ফাল,মে ০৩ঃ*
মেগী ১৯ দগী জুন ১ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী চন্দ্রপুরদা সব–জুনিয়র নেসনেল ইক্যুপ এন্দ অন ইক্যুপ পৱারলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী পৱার লিফটর অমদি ওফিসিয়েলশিং খনখ্রে।

খল্লবা পৱার লিফটরশিং অদুদি বোইসকী কাংলুপ্তা এস এল বি বি টি সি দগী কে জি ৭৪ দা আর কে রনাজিৎ সিংহ, সাগেল জিম, অম্বাদগী কে জি ৭৪ দা সোরাম সুনিল সিংহ, ই এল বি বি টি দগী কে জি ১২০ দা আর কে প্রিনোর্বটা নি।

গর্লসকী কাংলুপ্তা ই এল বি বি টি সি দগী কে জি ৪৭ দা এলাংবম থোইথোইবী চনু, কে জি ৫২ দা ময়েংবম তন্ফা অমদি কে জি ৫৭ দা কৈশাম অরিকা দেবী, শগেল সান জিম অম্বাদগী কে জি ৫৭ দা কোন্থৌজম থোইবী দেবীনি।

ওফিসিয়েল ওইনা কোচতা ই ইনাও অমদি মেনেজরদা এম অনিল নি।

# ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিয়েসনগী নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং খনখ্রে

*ইম্ফাল, মে ৩ঃ*
মমাং থাগী ৪ গী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ওইবা মীফম অমা তৌরগা নৌনা থৌ পুবীগদবা মীওইশিংগী মীং অমসুং লৌগদবা থৌগাইশিং মথং–মনাও নাইনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্টকী থৌগাই লৌবিরিবা ওনরেবল এম এল এ শ্রী ওইনাম লুখোই সিংহ, ৱাঙ্গোই এ সি বুওকপগী থৌরম অমা ৱাঙ্গোই বাজার কুম্মিটি হোলদা, হৌখিবা মমাং থাগী ২৩ দা পাঙথোকখ্রে।

থৌ পুবীগদবা মীওইশিংগী মিং অমদি পায়বীগদবা থৌগাইশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

মখোয় অদুদি প্রসিদেন্টদা ওইনাম লুখোয় সিংহ, ভাইস প্রসিদেন্টতা দব্লিউ জদুমাণি সিংহ, ভাইস প্রসিদেন্টতা লোংজম রাতা মৈতৈ, ভাইস প্রসিদেন্ট কম ওদিটর দব্লিউ দেবেন সিংহ, জেনরেল সেক্রেটরীদা লোংজম অচৌবা সিংহ, জোইন্ট সেক্রেটরী জেনরেল কোনজেংবম কুমার সিংহ, ত্রেজররদা ৱাহেংবম রোবিন্দ্রো সিংহ, পব্লিসিটি সেক্রেটরীদা থৌনাওজম জটেশ্বর সিংহ, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরীদা লোংজম ইবোমচা সিংহ, জোইন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরীদা থৌদাম ধনেশ্বর সিংহ, সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন ৱাংজম চন্দ্রা সিংহ, এজিক্যুটিব মেম্বরদা পোটশঙবম ইবোহল সিংহ, চুংখাম দেবেন্দ্রা সিংহ, থৌনাওজম দিপাক সিংহ, ৱাহেংবম সনাতোম্বা সিংহ, মেরিংমৈ জিভন রোংমৈ, লোংজম ইবোয়াইমা সিংহ, মেরিংমৈ ব্রোজেন রোংমৈ অমদি লোংজম জিবন মৈতৈ নি।

এদভাইজরদা ৱাহেংবম সনাজাওবা সিংহ, থৌদাম খোমৈ সিংহ, ৱাহেংবম তোম্বা সিংহ, কামৈ রঞ্জিৎ কবুই, থৌদাম সরট মৈতৈ অমদি থৌদাম মনাও সিংহ নি।

মথক্তা পঙ্গরিবা মীওইশিংনা থা অসিগী ৩ দগী থৌপাংবা হৌজরগনি হায়না ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিয়েসন সেক্রেটরী জেনরেল না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তারক্লি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*